থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট! শেংদোকপবু ঙমগদ্রা?

ঙসিগী থম্মোয় পাউদমগা শাগোন্ননা হাপচরিবা ফোটো অনীসি লৈকায় অমগী নৎত্রগা কৈথেল অমগী অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম (দষ্ট-বিন) অমা থিরুরগা নমজরকপা নত্তে। পাউদমজরিবা ইশাগী থম্মোয়গা শেৎতোকপা য়াদ' নকশিন্নখ্রবা স্কুল অমগী হৌজিক ওইরিবা শক্তম অদুমক্লি। তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী নম্বনি। গভর্ণমেন্টকী স্কুলনি। মতম অমগী স্কুলগী পুৱারীদা য়াওরম্বা, ঙসিদি মমিংতা ঙায়হৌরবা (মুৎখ্রবা) স্কুল নত্তে। ঙসিসু চলাইরিবনি। স্কুলসিদা থবক তৌরিবা ওজাশিং অমদি এটেন্দেন্ট-ইমুং চরা হেন্দ্রিবা মচা-মশু ফজবা প্রাইভেট স্কুলদা থারিবা, স্কুলসিগী মতেংননি। মখোয়গীদি স্কুল অসি লাইমক্কী শঙলেন'নি। শঙলেন অসি লৈবনা চাকখুম মৈ মুত্তবনি।

স্কুল অসি ঐহাক্কা কাউবা ঙমদবগী মরমদি পাউদমজরিবা ঐহাকপু অহানবা লৌশিং মৈরা চুবীখিবা- মমি শাল্লবা নীংশিং শক্তম ওইনা লৈরিবা ই'না কুপ্পা স্কুল অসিগী অহানবা শঙলেনদুনা ওইখিবা অদুননি।

লাইরল্লেন'দা লৈখ্রবা ওজাশিং- অমা, অনী, অহুম, মরি... মশীং থীবা তন্বীখিবা, আ আ ই ঈ- অহানবা লৌশিং-য়ুম্ফম থোনবীখিবা, কাউফম থোক্তবদুনা ওইবা তাই- শুকয়া য়াদে কাউখো হায়বা। ঙসি উরিবা স্কুলসিগী শক্তমসিদা খল্লকই- ওজাশিংদুই মোংফমদা ঙসিগী মীরোল অসিনা অমাঙ-অশোয় তৌরিবগুম।

এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট'তা থবক তৌরিবা থৌমী অমদি ওজাশিং, লৈঙাক থৌদা পুরিবা মিনিষ্টরশিং! থম্মোয় শেংনা খুন্নীয়ু- অদোমগী ইচা-ইশু, ফনা তোনবসু ওইসনু, স্কুলসিদা থাগদ্রা? লৈতা-লায়রগী চৈথেং কনমনবনা অদোমনা ইচাদুবু/ইশুদুবু স্কুলসিদা থাগে নীংলবা, অঙাংদুনা চৎলু য়াগদ্রা? অতৈগী ৱাদি তোকখ্র'সি স্কুলসিদা ওজা ওইরিবা মখোয় কনামত্তগী মচা-মশু স্কুলসিদা তমহন্দে। ঐনা খঙজবা লৈকায়গী ইতৈমা অমা লৈ। কদায় কদায়দগীনো মনা-মশিং খরা তীক্লরগা মাগী কোন্থোং অদুদা নুমীদাংৱাইরম খুদিং য়োল্লগা মচাশিংদু থাল্লকই, মহৈ-মশিন তমহল্লকই। মাগী মপুরোইবা তামোদু করিগুম্বা শিনফম অমত্তা পায়দে। নুমীদাং খুদিং মাগী য়ুমদু 'য়ুরাংফম' অমমম ওন্থোকই। মাগী পুন্সিবু ময়াই কাহল্লিবা য়ু ঈরিক'তুগী হৌরকফম-ইতৈমাগী শেঙ্গাওনি। ঙসি, মশুনা স্কুল চৎলফাও হৈনবীদু হোংদরি। মচাদুসু থবক ফংদে। মোবাইল শেন্মী হায়বরা, ওফিস অমদা চৎপগুম মতম নাইনা চৎলি, হল্লকই। ইতৈমা তিলোতমাগী ৱারী ফেনজিঞ্জরুবগী মরমদি- অদু য়ৌনা ৱানা পুন্সি লান্থেংনরিবা ইতৈমাদুনফাও স্কুলসিদা মচা হাক্তক্তগী মশু হাক্তক'সিফাওবা লাইরিক তম্বা থাও হায়বা য়াখিদে।

ইতৈমা তমা- লাইরিক ময়েক চৎপী নত্তে। মমিং ৱানা য়েক্লিবীনি। হায়জনিংলিবা ৱাফমদি- অসিগুম্বা স্কুলশিং মওং-মরিন নাইরক্ত্রিবা, ঙসি-ঙরাংতা খঙওই ওইরকখিবা নত্তে হায়বনি। করিগী অসুক কুইবসি লৈঙাক্কী থৌ পুবশিং খঙশিন্নদনা লৌখিবনো? ঙসিদি উরবা নৎত্রগা অশেংবা শক্তম? করি তৌগে খনবীরি? হৈ-লৈ, উপাল-ৱাপালফাওবা ময়োল চোংলকপগী থাক্তগী মীৎয়েং চঙদুনা শেম্বীদ্রবা মপান-মউ লিংদে খঙদুনা 'নর্সরি' শেম্নবা শেল চঙনা হোৎননৈ। মীওইবসু অদু মঙায়। মরোল-মরি-শুদ্রিঙৈ, মমা-মপা ফাওবা নীংথিজনা খঙদ্রিঙৈ অঙাংশিংবু শেম্নবা 'নর্সরি'- এদ্যুকেসন সেক্তরদা খ্বাইদগী শেন্দোং লৈবা বিজিনেস (ইনভেষ্টমেন্ট) নি, পুন্নমক্না য়ানরে। ৱাখল তাদ্রিবা হায়ববু মণিপুর লৈঙাক অসিতা মঙায়রে। চুমদবরা? এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী প্রাইমারী অমদি লৱার প্রাইমারী স্কুলশিং- কনাগী মীৎয়েং চঙলিবগে?

ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর! এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট'তগী স্কুল-ইন্সপেক্টরনা স্কুল য়েংবা লাক্কদৌরি তাবদা হেদ মাষ্টরশিংনা স্কুলদা লৌখৎলম্বা চেকশিন থৌরাংশিং, অফবা মহৈরোয় খরা খনগৎলগা ইন্সপেক্টরগী মমাঙদা ওজানা ৱাহং হংখিবা, মহৈরোয়শিংদা ইনশিল্লগা ইন্সপেক্টরদা নোংমগী ছুটি নিহনখিবা... পুম্নমক্তু নীংশিংলগা ওইরম্নি, ঙসি ঙরাং ওনরেবল সার নশামক্না, ইন্সপেক্টরগী থৌদাং লৌদুনা স্কুলশিংদা সরপ্রাইজ ভিজিট চৎপীরিবা। অঙাংশিংগী মোবাইল হেন্দসেট খুদিংদা ভিজিট'তুগী ভিদিও রেকোর্দিংনা ৱাই চাইরে। মীদিয়া হাউসশিংগী দিস্কসনগী সবজেক্ট ওইরক্লে। মসিমদি ফৈ। মিনিষ্টরগী এক্সন ফৈ/ফত্তে নৈনরক্লিবা, লৈবাক মীয়াম খঙহল্লিবা- মসিমদি ফৈ। মিনিষ্টর, কম্মিস্নার, সেক্রেটরি, দিরেক্টরগী টেবলদা লৈবা রিপোর্ট'তা য়ুম্ফম ওইরগা স্কুল/কোলেজ চলাইরম্বনি, অচুম্বদগী হেন্না হেন্না লাপথোকখিবনি। গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা ওজানা লাইরিক তম্বীরকখিদবা কুইরবনি, মমা-মপানা মচাবু গভর্ণমেন্ট স্কুলদা থাখিদবা কুইরবনি। ৱাফমসিমদি সারসু খঙলে হায়বদি ফেসবুক্কী ভিদিও'সিদগী ঐখোয়সু খঙলে। ঐগী ইচানুপী থোকপী হেদ-মিষ্ট্রেস (ইন-চার্জ) অমনা হায়..., 'কাকা! নোংমগী নুমীৎ অমা ক্লাসতা নীংথিনা লাইরিক তাক্লরবা, হোম ৱার্ক অমা পীরুরবা নোংঙাল্লগা স্কুল কারক্লোই, মমা-মপাদা ৱাকৎলুরসু নীংথি-নুংঙাইনা তৌরক্তে, লৈকায়' ক্লবতা ৱাকৎলে, কনানসু তাবীদে, 'সিদবু ঐখোয় করি তৌ হায়বনো...?' ফীভম অসি চীংনুং মান্নুংদনা হেন্না শাথীরিবনি। লোকল নহা অমদা, হেদ মাষ্টরগা মান্নরগা তোলোপ তংখায় পীথোক্লগা চহী চুপ্পা স্কুল কাদবা ওজা, মশীং খঙদনা লৈ। ওজা কয়া দিরেক্টোরেট'তা কৌখৎলগা ক্লারিকেল ষ্টাফ ওইনা শীজিন্নরিবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনি। কদায়দগী ক্বালিটি এদ্যুকেসন?

এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেট অমদি দিপার্টমেন্ট- চহী কয়া শেংদোক্তনা লৈরক্লবা, ফক্লাং মরি, মথক (সিলিং), লৈমায় পুম্নমক অমোৎপনা লৈরোল লৈরোল কুপখ্রবা কা অমগুম্বনি। লৈমায় অদু শিৎতোক্লসু, নোংঙাল্লগা অমুক হেক্তা মোৎলমনি। মথক্কী লৈকাঙ কন্থদনা, ফক্লাং মরিদু শেংদোক্তনা, লৈমায়দু ৱাইশিৎপতনা কা অদু নালহনবা কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লোই। অদুনা হায়নৈ 'ক্লিন্সিং সুদ বি দন ফ্রোম দ তোপ' (অমোৎপা শেংবা হায়বসি মতোন্দগী হৌগদবনি)। থেঙ্ক গোদ! অমোৎপদু শেংনিংবা মিনিষ্টর অমা থোক্লক্লে। মথক্তা লৈবা অমোৎপশিং মথং মথং শেংদোকপীরকউ, লৈমায়সিদি মদোম নানজখিনি। ৱাইশিৎপা মচাগীদি ৱাৎপা লৈতে লমসিদা। অচৌবা ওফিসর অমত্তং অকি-অখঙ নংহনবীয়ু। অতৈসু মরিন তেংলক্কনি।

লৌশিং পুক্কে

অঙাংশিংগী শরু কলহন্নবা পান্বে

অঙাং খুদিংমক চৎপা হৈরগা পোল্লকপা নৎতে। অহানবদা ষন শারগা চৎলন্নদগী লেপ্পা ঙল্লকই, অদুদগী খোঙ থাংদুনা চৎপা ঙল্লকই। অদুবু লেপ্পা মঅসুং চৎপা ঙম্বগী মতাংদা অঙাং খুদিংমক অমগা অমগা মান্নদে। কনাগুম্বনা চহী য়াম্না নৌরিঙৈদা চৎপা ঙম্মী। হৌমিন-কামিন্নবা মশাং-মমান্নবশিংনা চৎপা ঙমখ্রবা মতুংদা য়াম্না থেঙনা চৎপা অঙাংসু অদুম্মক য়াওই।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা মেঞ্চেষ্টর মেট্রোপোলিটান য়ুনিভর্সিটি অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃষ্টোলগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না ময়ামদগী খরা ঙনখৎনা, মশাগী থা ১৮ শুরকপগী অদুৱাইদা হৌগৎলগা চৎপা ঙম্বা অঙাংশিংগী শরু কল্লি অমসুং অহল ওইরক্লগা মপাঙ্গল কন্না লৈ হায়রি।

অঙাংনা চৎপা ঙম্বগী চহী মতাংগা শরুগী মপাঙ্গল কনবগা লৈনবা মরী অসি হান্না খঙনরমদ্রবসু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙলে হায়না মেঞ্চেষ্টর মেট্রোপোলিটান য়ুনিভর্সিটিগী এলেক্স আইরলেন্দনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, চহী নৌরিঙৈদা চৎপা, চেনবা, চোংবগী চাং ৱাংলিবমখৈ মশলসু কনখৎলকই। মশল কল্লবদি শরু কলহনবদা মতেং পাংই। মমা-মপা ওইবশিংনা য়ারিবমখৈ পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিং মশা-লেঙ ওৎহনগদবনি অমসুং মতম ঙন্না লেপখৎলগা চৎপা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীগদবনি।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা পোকপা অঙাং ১৪,৫০০ গী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। অঙাংশিং অদুনা থা ১৮ শুরকপদা হকচং লেঙ-ওৎপগী মওং য়েংশিল্লবা মতুংদা চহী ১৭ লৈরগা মখোয়গী ফৈগন, নিংজোল অমদি খুরাইগী শরু কয়া য়াম্না কনবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। এক্স-রে এবজোর্পটিওমিট্রি অমদি পেরিফরেল কম্প্যুটেদ টোমোগ্রাফি শীজন্নদুনা য়েংশিনবদা চহী নৌনা লেপ্পা ঙম্বা অমসুং চৎপা অঙাংশিংগী শরুনা মপাঙ্গল কনবা হেল্লি হায়বা খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ বোন এন্দ মিনরেল রিছার্চতা হন্দক্তা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ জোজিয়ানা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কা-হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অঙাংশিং শরু শোল্লি। মশলগী শরুক য়াম্না য়াওরবদি শরু শেমগৎপদা মতেং পাংই। অদুবু ফেট য়াম্না য়াওরগা শরু শেমগৎপদা থীন্থহল্লি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ জোর্জিয়াগী জোসেফ কাইন্দলরনা হায়খি, হকচাংগী ফেট অমসুং শরু শেমগৎলকপগী মরক্তা নক্লবা মরী লৈনবা মরম্না য়ারিবমখৈ অঙাংশিংবু মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা পীজবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক য়াম্না তৌহনগদবনি। ৱাফম অসি 'করেন্ট ওবেসিটি' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

অমরোমদা, ৱাশিংটনগী কেমিলা জোস সেলা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা হায়খ্রে মদুদি নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবা মীওইশিং বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) ফগৎলকপা মরম্না শরুগী মপাঙ্গল কনখৎলকই। লমশাং চেল্লিবমখৈ শরু কনবগী চাংসু হেনগৎলকই। মরম অদুনা শরুগী ফীভম ফনা থম্নবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবা মথৌ তাই হায়রি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা বিট্রিজ লারানা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবা মতমদা কেলসেনিয়স কৌবা খোঙয়াদা খুনিং ময়াদা য়াওবা শরু অমগী মপাঙ্গল কনখৎলকই। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিংদগীদি নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবা শান্নরোয়শিংনা শরু কনবা হেল্লি।

ষ্টদিদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা বিট্রিক লারানা হায়খি, স্বিমিং অমসুং স্পেটিংগুম্বা মশান্নশিংদগী লমজেল চেনবনা শরু কলহনবা হেল্লি। লমজেল চেনবগী চাং হেল্লিবমখৈ বোন মিনরেল দেন্সিটিগী চাংসু হেনগৎলকই। বি এম দি নৎত্রগা বোন মিনরেল দেন্সিটি হায়বসি শরুদা য়াওবা মিনরেলগী চাংবুনি। শরুদা কান্নরবা মিনরেল য়াওরিবমখৈ শরু কনবসু হেল্লি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি য়ুরোপিয়ন জর্নেল ওফ এপ্লাইদ ফিসিওলোজিদা ফোঙলকপনি।

পুম্নমক অসি ওইদুনসু শরু কলহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্বেদি চহী নৌনা হৌগৎলগা চৎপগী থৌওংনি। ঙন্না চৎলিবমখৈ শরু কনবসু হেল্লি। কনাগুম্বনা অঙাংশিংবু শরু কলহন্নিংলবদি নৌরিঙৈদা মখুৎ শন্নীরগা চৎপা তম্বীগদবনি। রিছার্চরশিংনা কুপ্না থিজিনবদা চহী নৌনা হৌগৎলগা চৎপা অঙাংশিংগী শরু কল্লি হায়বা খঙলকখি।

এম এল এ অসবউদ্দিননা জিরিবামগী মফমশিং য়েংশিনখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ২৬ (জে এন এন):

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এম ও বি সী, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অসবউদ্দিননা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এম এল এ অসবউদ্দিননা হয়েং ফাওবা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মথং-মথং চৎতুনা য়েংশিনগদৌরি। ঙসি য়েংশিনবা হৌবগী খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ফীভম য়েংখি। খোঙচৎ অদুদা জিরিবামগী দি সী, ডা. হর্মিটসিংহ পাহুজা, এস দি সীশিং, জেদ ঈ ও, পি ঐচঈ দি, মেদিকেল, পি দব্লিয়ু দি, ফোরেষ্ট অমদি ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ওফিসর কয়াসু লোয়নখি।

জিরিবামদগী লাক্তুনা জে টি রোদ লম্বী য়েংখি। মসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি সী এমদা হায়নরগা লম্বী অসি অথুবদা শেমজিনগনি হায়বা ৱাফম থমখি। জিরিবামগী বরাক সার্কলদা লৈরিবা থোংশিং লোয়ননা সোটোব্রেকা হায় স্কুল, বুতাংখাল অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, নেতাজি গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলসু য়েংশিনখি। জাকুদোর কৈথেল য়েংশিনবা লাকপগী লম্বীদা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখি। তুংদা বোরোব্রেকা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লাকপদা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা তরাম্না ওকখি। অচম্বা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

স্কুলগী মায়কৈদগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। বোরোব্রেকা মনাক্তা ৱাটর সপ্লাই ট্রিটমেন্ট প্লান অমা শানবা মফমসু য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা এম এল এনা ফোঙদোরকপদা, জে টি রোদকী ফীভম য়াম্না শোক্লে। মসি শেম্নবা হোৎনরগনি। জাকুদোর অমদি বুতাংখালগী মফম অনী অসিদা ৱাটর সপ্লাই ট্রিটমেন্ট প্লান শানবা য়েংশিল্লুরে। বরাক সার্কলদা চৎলুবদা স্কুলশিং অদুদা ওজা মহুৎনা ওজা ওইহনবীগনু। করিগুম্বা প্রোব্লেম লৈবা তারবদি হায়বীয়ু। ওজাশিংনা দ্যুটি ফজনা তৌরমদ্রবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

স্কুল খরদা ওজা লৈরমদবা থেংনখি। অয়াম্বা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং লৈরম্বা থেংনখি। লাতিংখাল অপ্পর প্রাইমারী স্কুল য়েংশিনবা মতমদা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোরকপদা, মখোয়গী স্কুলগী ওজা হেদ মাষ্টর কনানো খঙদে হায়বা ৱাফম থল্লকখি। স্কুলদা ওজাশিংসু চাং নাইনা কাদে হায়নসু হায়রকখি। খোঙচৎ অসিগী মখা তারকপা ওইনা লৈশাবীথোল স্কুল য়েংশিনখি। ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা জিরিবামগী দি সী, জেদ ঈ ও অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু লোয়নখি। লৈশাবীথোলদা ৱাটর সপ্লাই প্লান তৌনবা মফম য়েংশিনখি। প্লান অসি থম্বা মতমদা মীওই ১৫০০ রোম হেন্না ঈশিং পীবা ঙমগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মোরেদা সাইন বোর্দ মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ : মোরে টাউন মনুংদা ফম্বা দুকান, হোটেল, ওফিস অমসুং স্কুলশিংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হায়না সাইন বোর্দতা থারমদবশিং লৌথরগা মৈ থাদোকখ্রে।

ঙসি কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, মোরেগী কাঙবুনা মোরে টাউন মনুংদা ফম্বা দুকানশিংগী সাইন বোর্দতা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হায়না থারম্বা অদু মুখৎলগা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট থানবা প্রেসকী খুথাংদা খঙহনখ্রবা ফাওবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট থারমদবদগী সাইন বোর্দশিং লৌথরগা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, মোরেগী ওফিস কমপ্লেক্সতা সাইন বোর্দশিং মৈ থাদোকখি।

কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, মোরেগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোংলালনা ফোঙদোকখিবদা, মোরে টাউন মনুংদা লৈবা দুকান, হোটেল, ওফিস অমসুং স্কুলশিংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট থারম্বা কয়া অদু হৌজিক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ওল্লবনিনা মশা-মশাগী সাইন বোর্দশিংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট লৌথোক্লগা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট থাবীনবা হায়বা লৈখ্রে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট থারমদবশিং লৌথদুনা মৈ থাবগী থবক চথরি। হাপ্তা অমগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট থারিবশিং লৌথোক্তুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট থাগদবনি। থারমদবশিং এক্সন লৌগনি হায়রি।

'কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ হক্তুনা থমসি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ : এপ্রিল ২৭, ১৮৯১ হক্তুনা থমসি হায়না নেসনল রেভুল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এঙ্গলো মণিপুর লান মায়থীখিবগী চৈনাখোল হৈকৎ-লৈকৎনা পেন্থোক্কুমসি। খ্বাইদগী মরুওইরিবা মণিপুরগী নুমীৎ এপ্রিল ২৭ নীংশিংদুনা ঐখোয় মান্নবা থৌগাই অমা পাঙথোকসি। ১৮৯১ এঙ্গলো মণিপুর লান বৃটিশ আর্মি ৮০০০ মুক থেংনবা মণিপুর লৈঙাক্কী রিগুলার আর্মি ১২০০০ অমুক লৈবনু ময়েক শেংনা শীজিন্নরম্লবা, লিংজেল মান্নরম্লবা, য়েক্লবনা খুৎলাই ফবা হেন্দুনা মায়থীবা ওইরবসু লৈরম্লোই। মায়থীরবা মতুংদসু লান লোইশিনবা ঙম্লোই। নিংথৌ মচা মশেল নুংশিনদ্রগা করিগী লান্থেংনগনি হায়বা কাঙলুপ, নিংথৌ মচাশিংগী মাগী মাগী হায়বা মীচঙগী কাঙলুপ কয়া ৱা ঙাংথোক্লা লৈবনা পুম্নমক অসিনা য়েক্লবা বৃটিশনা খুদোংচাবা ১০০ দা ৯০ ফংখি।

বৃটিশ লাম্মী মরক্তা মৈতৈ মচা লম্বী চিংদুনা মরৈবাক্তা লান্দাবা য়াওরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। খেলেন্দ্র সুবেদারগী ৱারীসু লৈরিবনি। লিংজেল মান্নদবা হায়বসিনা ঙসি ফাওবা ঐখোয় মীখা পোনবা কোমদগী কাখৎপা ঙমদ্রি। ১৮৯১ এঙ্গলো মণিপুর লান চহী ১২৬ হৌখ্রে। চহী ১২৬ তা থোকখিবা লানফম অদুদা মায়থীদুনা মণিপুর মীখা পোনবা লৈবাক হায়বদু ওইখি। নুমীৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা মীখা পোনবগী খোঙচৎ অসিনা লাকথুদুনা মালেমদা হঙ্গৈইনরবা মহিং অমদা শোথরবা ফুরুপ ওইনা য়েক্লবগী থৌজাল খুয়াখাদা হিংজবা হায়বদু ওইখ্রে।

অসিগুম্লবা মীখা পোনবগী খোঙচৎ হৌখিবা নুমীৎ অসিবু মণিপুর ফুরুপ তৎন-থানবা লৈতনা ৱাহন্থোক পীনবগীদমক মালেম অসিদা হিংনরিবা নীংতম্বা ফুরুপ হায়বদু ঐখোয়সু ওইরম্মী হায়বদু মীকুপ খুদিং নীংশিংননবগীদমক মণিপুরগী য়ুমথোঙ খুদিংদা মফম চাবা ফক্লাংদা নুমীৎ অসিবু ময়েক শেংনা ইদুনা, হক্তুনা থক্কগী চৎনবী শেমগৎলসি হায়না এন আর এফ এমনা ২৭ এপ্রিল, ১৮৯১ নীংশিংলদুনা মণিপুর লৈবাক মীয়ামদা পাউজেল্লি।

নীংতম্না পাল্লম্বা মণিপুর লৈবাক্কী ফিরাল চিংথদুনা বৃটিশ লৈঙাক্কী ফিরাল চিংখৎখিববু মণিপুর মীয়াম অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরিবা মণিপুরী খ্বাই পুম্নমক্তা ২৭ এপ্রিল নুমীৎকী ৱারোল থল্লি।

লান হায়বসি লৌশিংদা মাঙজিল থাবা কাঙলুপ, ফুরুপ মীওইশিংনা মশাগী ওইবা তানবা, কল্লক মিহৌদগী অতোপ্পদু নমথনবা পাঙ্গল শাগৎলক্তুনা অমদি পাঙ্গল অদুনা পাকথোক চাউথোরকপদগী তাইনফম থিরকপা অমসুং মদুনা চঙশিনবা য়াদবা মফমশিংদা পাঙ্গল উৎলকপা অমসুং মদুবু ঙাকথোক্লকপা অমদি খুদুম চন্নবা হোৎনরকপদগী থোক্লকপা ওইবনা মীওইবা খুন্নাইদা কোকহনবা য়াদনা লৈরিবনি। মীওইবা খুন্নাই লিংলকপদগী শাগোন্নরকপা ওইবনা মসিবু থেংনবা, লান্থেংনবা অমসুং লান্দাবা হায়বসি ঐখোয়গীসু শরুক অদুম্মক থুংলিবনি।

হৌজিক ফুরুপ অসি মীখা পোন্না হিংলিবনা ফুরুপ অসিগী হৌখিবা পুৱারী, থৌদোক ৱাথোক নীংশিংনবা নৈনবা হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিগী থৌদাংনি। ঙসিগী মীরোলনা মথংগী পুৱারী লিংলমগদৌরিবনি। মণিপুর ফুরুপ ঙসি য়াম্না অচঙবা ফুরুপ অমগুম ফিজেৎ লৈতেংগা ওইননা অৱাৎপা লৈত্রবা ফুরুপ অমগুম ৱাখলনা অৱাংবা থাক য়ৌরবসু তুংগীদমক অশেংবা পুৱারী শেম্নম্বা ঙমদ্রবা ঙসি লাইরিক-লাইশু হৈরক্লে। লমদমসিদা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি কয়া লিংলে। চাউখৎপগী মঙাল ফংলে হায়বগী নাপল অদুদি খাঙুথক্কীনি হায়বসি এন আর এফ এমনা থাজে। মথং মথং...

প্রিন্সিপল ঙাক্লা পোলিটিক্স তৌরবদি খুন্নাইগী য়াইফবা ওইগনি : আর কে ইমো

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস):

পোলিটিক্স তৌবা মতমদা চপ চাবা প্রিন্সিপল ঙাক্লা থবক তৌরবদি খুন্নাইগী অফবা ওইগনি হায়না এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

১১/৮ পোল্লিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি শগোলবন্দ সয়াং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এ সী অসিগী এম এল এ ওইরিববু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা আর কে ইমোনা হায়খি, পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি মীয়ামগীদমক থবক তৌরগে হায়না থোরক্লিবনি। প্রিন্সিপল ঙাক্লা পোলিটিক্স তৌরবদি খুন্নাইগী অফবা ওইগনি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা মওং অমদি মশাগী ওইবা প্রিন্সিপল ঙাক্তনা পোলিটিক্স তৌরবদি তুং কোয়না চৎপা য়ারোই। মশাগী চপ চাবা ফিরেপকা লোয়ননা থবক তৌরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা মায় পাক্লা থবক তৌবা ঙমগনি।

শগোলবন্দ এ সীগী মীয়াম্না এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরক্লিবা অসিগী থাজবা মাঙহন্দনা মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি। এ সী অসিগী লৈরিবা পায়খৎফম থোকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোক্লবা চপ চানা হোৎনগনি। সয়াং মায়কৈদা কম্যুনিটি হোল অমা শানবা ৱাফম থল্লক্লিবা অসি থবক্তা ওন্থোক্কনি। শগোলবন্দ এ সীগী লম্বী অয়াম্বনা কোয়লাস থারে। ৱাৎহৌরিবশিং অসিসু কোয়লাস থানবা থবক পায়খৎকনি। শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ শেমগৎ-শাগৎপগী থবক হৌরে। বিজয় গোবিন্দ অসি য়াম্না মরুওইবা মফম অমসু ওইরিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না নীংথিজবা মফম অমা শেমগৎনবগী চপ চানা মীৎয়েং চঙগনি।

শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং মীয়ামগা লোয়ননা তাথোক তাশিন তৌমিন্নদুনা থবকশিং পায়খৎকনি। এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা অমত্তা ওইনা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা হিরম কয়াদা খুন্মাং চাউশিন্না থবক পায়খৎপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা সুবা হোস্পিটালগী সিনিয়র কন্সল্টেন্ট গাইনিকোলোজি ডা. দব্লিয়ু ইমোনা হায়খি, শগোলবন্দ এ সীদা অনীরক মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলিবা এম এল এনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজে। ঐগী-মীগী হায়বা নাইদনা শগোলবন্দ এ সীগী ওইনা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্লা পাঙথোরক্কনি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা হেন্না খুন্মাং চাউশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ ওফিসর এস গৌরবিধুনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অহল ওইরবা মীওই কয়াদসু খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। সয়াংগী অকোয়বা মফম কয়াদগী মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

এঙ্গলো মণিপুর ৱার নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস):

দিল্লি এসোসিএসন ওফ মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টসনা শীন্দুনা ঙরাং সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টদিজ এন্দ পোলিসী রিছার্স, জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া, ন্যু দিল্লিদা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিল্লি এসোসিএসন ওফ মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস, ন্যু দিল্লিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট মুজিবুর রহমন অমদি সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টদিজ পোলিসী রিছার্সকী প্রোফেসার অমর্জিৎ সিংহনা চ্যের লৌখি। রোল ওফ পাঙলস, এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ হায়বা টৌপিক্তা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি।

দিল্লিদা লৈবা মহৈরোয় কয়ানা সিম্বোজিয়ম অদুদা শরুক য়াখি। তুংদা রিছার্স স্কোলার অমদি একাদেমিসিয়ন কয়ানা তোঙান তোঙানবা টৌপিক কয়াদা ৱা ঙাঙখি। জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া, ন্যু দিল্লগী প্রোফেসার অমর্জিৎ সিংহ, ইমিনেল হিষ্টোরিয়ান অমদি হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট ডা. মালেম নিংথৌজা, রিছার্স স্কোলার সেন্টর ফোর ষ্টদিজ সোসল সিষ্টেম জে এন য়ু, পুশম অজাদ, পি ঐচ দি স্কোলার রুকয়া খুল্লাকপমনা এঙ্গলো মণিপুর ৱারগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। তুংদা দিস্কসন সেসন অমসু পাঙথোকখি।

এঙ্গলো মণিপুর ৱারগী মতাংদা রিছোর্স পার্সন অমদি অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙখি। থৌনা ফরবা অথৌবশিংগী মতিক মগুনসু শিংথানখি। সিম্পোজিয়মদা মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি। অখঙ-অহৈ কয়ানা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা দিস্কসন সেসন্দা ৱাহং-পাউহং কয়াসু তৌনদুনা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুদা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়-শঙ কয়াদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু দিল্লি এসোসিএসন ওফ মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টসনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

ওজাশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ২৬ (জে এন এন) :

কেম্ব্রীজ স্কুল অমসুং হিল কোর্স ইংলিস স্কুল জিরিবামনা শীন্দুনা টিচরস ট্রেনিং অমসুং মেথোদ ওফ য়ুজিং বুক হায়বা হিরমদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা জিরিবামগী পি দব্লিয়ু দিগী গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

জিরিবামদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবশিংগী ওইবা টিচরস ট্রেনিং অদুদা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট স্কুলশিংদগী ওজা কয়ানা শরুক য়াখি। ট্রেনিং অদুদা মহৈরোয়শিংবু ওজা অমনা করম্না ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা পুথোকপা লাইরিকশিং করম্না তাক্কনি অমদি ইন্টরেক্ট তৌগনি হায়বগী মতাংদা ট্রেনিং পীখি। ট্রেনিং অদুদা কোলকটাদগী প্রদক্ট মেনেজর দেবমিতা গুপ্তা অমদি টি ঐচ রাজেন, রিজনল সিনিয়র সেলস এসিষ্টেন্টনা এক্সপার্ট ওইনা ট্রেনিং পীখি।

দেবমিতা গুপ্তানা হায়খিবদা, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা পুথোকপা লাইরিকশিং অসি ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংনা করম্না তাকপীগনি হায়বসি নীংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু থমখি। ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা পীবা চৎন-কাঙলোন কয়াগী মতাংদসু ৱা ঙাঙখি।

রিজনল সিনিয়র সেলস এসিষ্টেন্ট টি ঐচ রাজেননা ফোঙ্গদোকখিবদা, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি হায়বসি কম্পেনি অমা নত্তে। য়ুনিভর্সিটি অসিনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসিগী মতাংদা ওজাশিংনা পীবা অখন্নবা টিচিং মেথোদশিং কয়াসু ট্রেনিং অসিদা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা স্পোন্সর তৌরগা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। কেম্ব্রীজ স্কুল অমসুং হিল ক্রোস ইংলিস স্কুল, জিরিবামনা খুৎশম্ননা শীল্লগা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা জিরিবামগী অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট স্কুল কয়াদগী ওজাশিংনা শরুক য়াখি। ওজাশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা হিরমসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙদুনা খঙহনখি হায়নসু মখা তারি।